# অফঘান লোমেকরদা টার্গেট তৌবা কার বোম এটেকতা মীওই মাপল শিরে



কাবুল, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানগী কেপিটেল কাবুলদা লোমেকর অমদা টার্গেট তৌদুনা চথুখিবা কার বোম এটেক অমদা মীওই মাপল শিখ্রে।

লোমেকর খান মোহম্মদ ৱার্দাক এটেক অদুদা হিংহৌখি। তৌইগুম্বসুং মহাক নুপী অঙাংশিং য়াওনা অশোক অপন নংখিবা মীওই ২০ গী মনুং চনখি হায়না অফঘান ইন্টরিয়র মিনিষ্টর মাসৌদ অন্দারাবিনা ফোঙদোকখি।

রিপোর্টখরগী মতুং ইন্না থৌদোক অদু কাবুলগী পুলিস দিষ্ট্রিক্ট ৫ ( পি দি ৫) না কোনবা স্পিন ভেলিদা থোকখিবনি। থৌদোক থোকফমদা গাড়ী অহুম মৈ চাকখি হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী দেপ্যুটি স্পোক্সমেন ফেরদোস ফারামার্জনা ফোঙদোকখি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লোমেকর অদুগী লন্বীদা খাম্বা কার অমদা বোম প্লান্ট তৌখিবরা নত্রগা মীওই অমনা বোম য়াওবা কার অমা থৌরগা থৌদোক অদু থোকহনখিবরা হায়বসি শেংনা খঙবা ঙমখিদে। এটেক অদুগী মতাংদা মীওই অমত্তনা নত্রগা গ্রুপ অমতনা খুদক্তা ক্লেম তৌরকখিদে।

অফঘানিষ্টানগী চহী ২০ শুরক্লবা লাল লেপহন্নবগী পান্দমদা অফঘান গর্ভর্ণমেন্ট অমসুং টালিবানগী মরক্তা ৱারী শানরিঙৈ চৈরক্তা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিং মরু ওইনা বোমগী এটেকশিং হেনগৎলকখি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা লোগার, নঙ্গারহর, হেলমন্দ অমসুং বাদাখশন হায়রিবা প্রোভিন্সশিং অসিদা তোঙান তোঙানবা বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিং থোক্তুনা মীচম অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মীওই কয়া শিখি অমসুং শোকখি।

দিসেম্বর ১৫ দা কাবুলগী মাকরোরয়ান-ঈ-চার লোকেলিটি মনাক্তা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তগা সিনিয়র ওফিসল মাহবুবুল্লাহ মুহিবি অমসুং মহাক্কী ওফিস এসিস্টেন্ট অমা শিখি। মখোয়গী গাড়ীদা হাপলম্বা ষ্টিকি বোম পোকখায়হন্দুনা এটেক অদু পাঙথোকখিবনি। মদুগী নুমিৎ নীনিগী মমাংদা পুলিস দিষ্ট্রিক্ট ১৫ গী মনুং চনবা হোটেল-ঈ-পরৱান মনাক্তা এম পি মোহম্মদ টৌদিক ৱাহদতকী গাড়ীদা তার্গেট তৌদুনা চথুখিবা বোমগী এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই অনী শিখি অমসুং অতৈ অনী শোকখি।

ইরাই নুমিত্তা সেন্ট্রেল ঘাজনি প্রোভিন্সতা থোকখিবা রিক্সো বোম পোকখায়খিবগী থৌদোক্তা অঙাং ১১ য়াওনা য়ামদ্রবদা মীচম ১৫ শিখি।

অফঘান ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না, হৌখিবা থা অহুম অসিদা টালিবাননা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা সুইসাইদ এটেক ৩৫ অমসুং বোমগী এটেক ৫০৭ পাঙথোক্তুনা মীচম ৪৮৭ শিহনখি অমসুং অতৈ ১,০৪৯ শোকহনখি হায়রি।

# কোভিদ-১৯ লায়চৎ কনখৎলকপদগী সিদনি সিটি ওষ্ট্রেলিয়াগী অতৈ মফমশিংগা শম্নহন্দ্রে

সিদনি, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) :
সিদনি সিটিগী মফম অমদা কোরোনা ভাইরস ইনফেক্সন মশীং ৭০ য়ৌরকখিবগা লোয়ননা ওষ্ট্রেলিয়াগী ষ্টেট অমসুং টেরিটরি পুম্নমক্না সিটি অসিগী মীওইশিংনা লাকপদা অথিংবা থমখিবদগী সিটি অসি লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদগী নাইতোম তাখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়ান কেপিটেল টেরিটরি (এ সী টি) না মীওই মিল্লিয়ন মঙা হেন্না লৈদুনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা সিটি ওইরিবা সিদনিদা অকনবা মেসেজ অমা থাদুনা কেপিটেল টেরিটরিদা লাক্তনবা খঙহনখি। করিগুম্বা টেরিটরি অসিদা সিদনিগী মীওইশিং লাকপা তারবদি হেক থুংবগা নুমিৎ ১৪ নি ক্বারন্টিন তৌগনি হায়না ৱার্নিং তৌখি।

এ সী টিগী মীওই নৎত্রবদি অমসুং গ্রেটর সিদনিদা চৎলুবা ওইরবদি এ সী টিদা লাক্কনু হায়না এ সী টিগী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি।

ভিক্তোরিয়া অমসুং ক্বিন্সলেন্দ ষ্টেটশিং অমসুং নোরদর্ন টেরিটরিনসু সিদনিদগী লাকপা মীওইশিং চঙলকপদা অথিংবা থমখ্রে। গ্রেটর সিদনিবু কোভিদ-১৯ হোটস্পোট অমনি হায়না ইনৌনৌনা লাউথোকখিবা অমা চৎনহনবদা মতেং ওইনবগীদমক্তা ক্বিন্সলেন্দ পুলিসনা ন্যু সাউথ ৱেলস (এন এস দব্লিউ) ষ্টেট বোর্দরদা রোদ চেকপোইন্টশিং অমুক থল্লগনি হায়রি।

সাউথ ওষ্ট্রেলিয়া ষ্টেটনা নোংমাইজিং নুমিত্তা সিদনিদগী থুংলবশিং নুমিৎ ১৪ নি ক্বারন্টিন তৌহনখিবগা লোয়ননা ইনফেক্সন লৈবা মফমশিংদগী লাকপা মীওইশিংনা চঙলকপা থিংখ্রে। ঈথৎ ষ্টেট টাসমানিয়ানসু থাংজ নুমিত্তা মান্নবা খোঙথাংশিং লৌখৎখি। ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়া ষ্টেটনা বোর্দর থিংবগী খোঙথাং লৌখৎখ্রে।

সিদনিনা ষ্টেট কেপিটেল ওইরিবা এন এস দব্লিউগী মফম কয়াদগী লাক্লিবা মীওইশিংনা ষ্টেট বোর্দর লানবা পাল্লবদি মখোয় কোরোনা লায়চৎনা শোকহল্লবা মফমশিংদগী নত্তে হায়না উৎপা দোক্যুমেন্টশিং পুথোক্কদবনি। কোরোনা ভাইরস কেস কয়া থেংনরবা সিদনিগী অৱাংথংবা সমুদ্র মপানগী মীশিং মিল্লিয়ন অমগী শরুক মরি থোকপগী অমরোম খৃষ্টমাষ্ট নুমিৎকী নোংমগী মমাং ফাওবা অকনবা লোকদাউন থমখ্রে।

এন এস দব্লিউ ষ্টেটকী প্রেমিয়র গ্লেদিস বেরেজিকলিয়ননা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা সিদনিগী অতৈ মফমশিংদা পুনগদবা মী মশীংগী অকক্নবা লৈরগনি। ইমুং মনুং পুনবা থৌরমশিংদা মী ১০ দগী হেন্না শরুক য়াবা য়ারোই অমসুং হোস্পিটালিটিগা মরী লৈনবা মফমশিংদা মী ৩০০ দগী হেন্না পুনবা য়ারোই।

এন এস দব্লিউগী মনুং চনবা মফমশিংদা পোৎ লৈরিবশিং লাই খুরুম্লিবশিং অমসুং পব্লিক ট্রান্সপোর্ট শীজিন্নরিবশিংনা শুংশোই শোইদনা মাস্ক উপ্পু হায়না মহাক্না মীয়ামদা আপীল তৌখি।



# ফিজিগী মফম কয়া অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা অমাং অতা থোকহনখ্রে

মেলবোর্ন, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) :
হৌখিবা চয়োলদা ফিজিদা শীৎচিল্লকখিবা মতিক ময়াই লৈরবা নোংলৈ নুংশিৎ অমনা মফম খরদা অমাং অতা কয়া থোকহনখিবগা লোয়ননা মীওই খরা লৈফম অমসুং অফবা ঈশিং শীজিন্নবা ফঙদ্রে হায়না ফিজি রেদ ক্রোসনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



কেটিগোরি মঙাগী নোংলৈ নুংশিৎ অমা ওইরিবা সাইক্লোন য়াসা শগোলশেন নুমিত্তা ফিজিদা থুংলখি। হৌজিক ফাওবদা সাইক্লোন অসিনা মীওই ৪ শিহনখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি।

ফিজি রেদ ক্রোসকী দিরেক্টর জেনরেল ইলিসাপেসি রোকোটুনিদাউনা ফোঙদোকখিবদা, নোংথক্তগী য়েংবদা অৱাংথংবা ঈথৎ ভানুৱা লেভুদা লৈবা বুৱা প্রোভিন্সতা অমাং অতা থোকপগী চাং চাদা ৭০ রোমনি অমসুং ঈথৎ মচা অমা ওইরিবা কিয়াদা মপুং ফানা অমাং অতা থোকখি হায়বসি খঙবা ঙম্লে হায়রি।

ফিজিগী মীশিং অপুন্বগী শরুক মরি থোকপগী অহুম্লোম লৈরিবা খ্বাইদগী চাওবা ঈথৎ ভিটি লেভুদা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা কা হেন্না অমাং অতা থোকহনখিদ্রবসু ভানুৱা লেভু অমসুং অতৈ অপিকপা ঈথৎশিং অফবা ঈশিং অমসুং লৈনবা যুম লৈতবগী অৱাবশিং মায়োক্লরি।

কম্যুনিকেসন নেটৱার্ক মাং তাকহনখিবা অমসুং নোং-চীংগী ফীভম ফত্তবদগী মাং তাক্লিবশিংদু য়েংশিনবদা খুদোং চাদবা থোক্লি। তৌইগুম্বসু রেদ ক্রোসকী ভোলন্টিয়রশিংনা অৱাবা নংলবশিংদা মতেং পাংলি হায়না রোকোটুনিদাউনা ফোঙদোকখি।

অমাং-অতা কয়া থোক্লিবা মরক্তুদা লায়না তিন্না কয়া শনে দারকপা য়াবগী অকিবা লৈরি। নোংলৈ নুংশিৎনা শোকহল্লবা মফমশিং য়েংশিনবদা মতেং পাংনবগী ওষ্ট্রেলিয়ানা এয়রফোর্সকী এয়রক্রাফট অমা থারকখিবগা লোয়ননা মখা তাবা মতেং পাল্লবসু পীগনি হায়না থাজবা পীখ্রে।

# যুগন্দাগী অনীশুবা দেপ্যুটি পি এম কোভিদ-১৯ না নাবদগী লৈখিদ্রে

কম্পালা, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) :
যুগন্দাগী অনীশুবা দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর অলি কিরুন্দা কিভেজিঞ্জা কোভিদ-১৯ নাবদগী কেপিটেল কম্পালাদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা লৈখিদ্রে হায়না লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট য়োৱেরি মুসেভেনিনা লাউথোকখ্রে।

থাংজ নুমিত্তা নোংচুপ থংবা সিটি হোইমাদা পাঙথোকপা কুমজা ২০২১-২০২৬ টর্মগী রি ইলেক্সন কেম্পেইন রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙবদা মুসেভেনিনা হায়খি। মুলাগো নেস্নেল রিফরেল হোস্পিটালগী ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিটতা এদমিট তৌদুনা লায়েং চথুরকখিবা কিভেজিঞ্জা লৈখিদ্রে।

অৱাবগী মশক্লি। কিভেজিঞ্জা লৈখিদ্রে। ঐখোয়না মীয়ামদা কোভিদ-১৯ অসি মী শিহনবা লায়নানি হায়না লাউদুনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং মীয়াম্না ৱাফম অসি ফাগ্গিম্না খন্নদুনা লাক্লি হায়না প্রসিদেন্ট মুসেভেনিনা ফোঙদোকখি।

মুসেভেনিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নুপী লোমেকর অনী কিয়োটেৱাগী দিষ্ট্রিক্ট এম পি রোবিনা সেন্টোগো অমসুং মশাকা দিষ্ট্রিক্টকী এম পি ফ্রেন্দ মুবান্দা কাসেসু শাথিরবা লায়না অসিনা শিহনখ্রে।

কিভেজিঞ্জনা লৈখিদবা অসি ইষ্ট অফ্রিকাগী লৈবাক অসিগী অচৌবা মাংজবা অমনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর রুহাকানা রুগুন্দানা ফোঙদোকখি। হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না, হৌখিবা মার্চতা কোরোনা ভাইরস লায়চৎ য়ৌরকখিবদগী যুগান্দাদা কোরোনা ভাইরস কেস ৩০,৭০২ দিটেক্ট তৌরে, মীওই ২৩০ শিখ্রে অমসুং পেসেন্ট ১০,৩৬০ লায়েংবদা ফখ্রে হায়রি।

# ভুটানগী কেপিটেল থিম্ফুদা লোকদাউন মপুং ফানা থমখ্রে

থিম্ফু, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) :
মশাগী চহী ২৫ শুরবী নুপী অমা টেষ্ট তৌবদা নোভেল কোরোনা ভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বদগী ভুটানগী কেপিটেল থিম্ফুদা নোংমাইজিং নুমিত্তগী মপুং ফাবা লোকদাউন চৎনহনখ্রে।

নুপী অদু থিম্ফুদা লৈবা নেস্নেল রিফরেল হোস্পিটালগী ফ্লু ক্লিনিক অমদা চৎলুরবা মতুংদা টেষ্ট অদু পাঙথোকখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর লোটে সেরিংনা খুদক্তা থিম্ফু সিটি মনুংদা লোকদাউন চৎনরগনি হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা মীপুং খুদিংমক্তা যুমদগী হেন্দোক্তনবা আপীল তৌখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, থিম্ফু থাদোক্তুনা চৎকদবশিং অথিংবা লৈরগনি অমসুং ইমর্জেন্সি অমসুং মরু ওইবা মরমশিংগী নত্তবা মীওইশিং কেপিটেল সিটি অসিদা চঙলকপা য়ারোই। সিটি অসিদা লোকদাউন মপুং ফানা থল্লিবা অসিনা হেল্থ ওফিসলশিংবু কন্টেক্ট ওইরম্বা য়াবশিং থিদোকপা অমসুং টেষ্ট তৌথোকপা ঙমহল্লগনি হায়না ওফিসলশিংনা থাজবা ফোঙদোকখি।

প্রাইমরি কন্টেক্ট অমা লৈবাক অদুগী নোংচুপ অমসুং ময়াই থংবা শরুক্কী মফম কয়াদা চৎখি অমসুং খোঙচৎ অদুদা মহাক মফম কয়াদা পনখি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

লায়না শন্দোকপগী চাংগী মখা পোন্না নুমিৎ খরনিগী মনুংদা লোকদাউন কোমথোকপা য়াই। মপুং ফাবা লোকদাউন চৎনবনা মরম ওইদুনা পুং ৭২ চুপ্পা পোৎ চৈ থাদোক থাজিন তৌবদা অথিংবা লৈগনি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা লাউথোকখি। তঙাই ফদবা পোৎলমশিং পুং ৭২ গী মতুংদা থাদোক থাজিন তৌবা য়াগনি। হৌজিক ফাওবদা ভুটানদা কোরোনা ভাইরস কেস ৪৪৩ থেংনরে, মী শিবদি য়াওদ্রি হায়রি।

# মিদল ইষ্ট পিছ প্রোসেসকী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে



কাইরো, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) :
মিদল ইষ্টকী পিছ প্রোসেস মখা চথবা য়ানবা হোৎনরিবা কয়াগী মতাংদা ইজিপ্টকী প্রসিদেন্ট অব্দেল ফাটাহ অল -সী সীনা জোর্দান অমসুং পেলেষ্টাইনগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগা খন্ন-নৈনখ্রে।

থাংজ নুমিত্তা কাইরোদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা সী সীনা জোর্দান অমসুং পেলেষ্টাইনগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংদা মহাক্কী লৈবাক্না চোকথবা নাইদনা পেলেষ্টিনিয়নশিংগী প্রোব্লেম সোলভ তৌনবা হোৎনগনি হায়বসি চেকশিন্না খঙহনখি হায়না ইজিপ্টকী প্রসিদেন্সিএল স্পোক্সমেন বাসাম রাদিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

লমদম অদুগী মীপুম খুদিংমক্না পাম্নরিবা মরা তপ্পা ফীভম লাকহন্নবগীদমক্তা পেলেষ্টিনিয়ন মশেল শংদাইননবা হোৎনবগা লোয়ননা পেলেষ্টিনিয়নশিং অমসুং ইজরেলিশিংগী মরক্তা হেন্না মতিং থোক্না পিছ নিগোসিএসন চথবা য়ানবা অরব লৈবাকশিং অমসুং মালেমনা পুন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু সী সীনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা পেলেষ্টিনিয়নশিংগী প্রোব্লেম সোলভ তৌনবা অমসুং নীংতম্বা পেলেষ্টিনিয়ন ষ্টেট অমা শেম্বদা মতেং ওইনবা ইজিপ্টনা চোকথবা লৈতনা হোৎনরিবশিং জের্দান অমসুং পেলেষ্টাইনগী মকোক থোংবা দিপ্লোমেটশিংনা থাগৎখ্রে।

মদুগী মমাংদা ইজিপ্টকী ফোরেন মিনিষ্টর সামেহ সৌক্রি অমসুং জের্দান অমদি পেলেষ্টাইনগী মহাক্কী লেংমান্নবশিং এমান সফাদি অমদি রিয়াদ অল- মালিকি কাইরোদা উনখি। মীফম অদুদা মখোয়না মিদল ইষ্টকী পিছ প্রোসেস হিঙ্গৎহনবগী অমসুং পেলেষ্টিনিয়ন অমসুং ইজরেলি সাইদশিংগী মরক্তা নিগোসিএসন মখা চথনবগী ৱাফমশিং খন্নখি।

ইষ্ট জেরুসালেমনা কেপিটেল ওইদুনা কুমজা ১৯৬৭ কী বোর্দরশিংদা যুম্ফম ওইরগা নীংতম্বা পেলেষ্টিনিয়ন ষ্টেট অমা শেম্বা য়াওনা য়ু এননা প্রপোজ তৌরিবা ষ্টেট অনী লৈহনবগী সোল্যুসনদা যুম্ফম ওইরগা ৱারোইশিন অমা লাকহনবা য়ানবা ইজরেলবু অমুক হন্না নিগোসিএসনগী লম্বীদা লাকহন্নবা তকশিনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না মিনিষ্টরশিংনা য়ানখি। য়ু এসনা স্পোন্সর তৌবা পেলেষ্টিনিয়নশিং অমসুং ইজরেলিশিংগী নিগোসিএসন অদু নাকল অনীনা পুক্নিং থৌগৎনিঙাই ওইবা মওংদা য়ানবা অমত্তা পুরকপা ঙমদবগী কুমজা ২০১৪ গী মার্চতগী লেপ্লকখি।

ইজিপ্ট অমসুং জোর্দাননা হান্না ইজরেলগা পিছ ত্রিটশিং খুৎয়েক পীনখ্রবনি। হন্দক্তা ইজরেলনা য়ুনাইটেদ অরব এমিরেটস, বহরেন, সুদান অমসুং মোরোকো য়াওনা অতৈ অরব লৈবাক কয়াগা মরা তপ্পা অমসুং মহৌশাগী ফীভম লাকহন্নবগী এগ্রিমেন্টশিং খুৎয়েক পীনখি।

# ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহু কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপখ্রে



টেল অভিভ, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) :
ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহু নোভেল কোরোনা ভাইরসকী মায়োক্তা ভেক্সিন কাপথোকখ্রে। নেটনয়াহুদা ভেক্সিন কাপ্লিবদু টেলিভিজনদা লাইব ওইনা ব্রোদকাষ্ট তৌখি।

নেটনয়াহু অমসুং হেল্থ মিনিষ্টর য়ুলি ইদেলষ্টাইন থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা টেল অভিভতা লৈবা সেবা মেদিকেল সেন্টরদা ভেক্সিন কাপখি।

ফাইজরনা পুথোকপা ভেক্সিনগী দোজশিং হৌখিবা চয়োলদা ইজরেলদা থুংখিবা মতুংদা ভেক্সিন কাপ্পগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকখিবনি। ইজরেলনা মোদর্ন অমসুং অষ্ট্রা জেনেকাগী ভেক্সিনশিংসু ওর্দর তৌখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিগী মীয়ামদা পাকশন্না কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা হৌদ্রিঙৈগী মাংওইননা নেটনয়াহুদা ইহান হান্না ভেক্সিন কাপখি।

ঙসি অসি লৈবাক অসিগী মরু ওইবা নুমিৎ অমনি হায়না নেটনয়াহুনা সেন্টর অদুদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। মীয়াম্বু ভেক্সিনগী মতাংদা পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা মঙোন্দা হান্না ভেক্সিন কাপ্লিবনি হায়নসু নেটনয়াহুনা ফোঙদোকখি।

ডোক্টরনা ভেক্সিন কাপ্পগী থবক নোংমাইজিং নুমিৎতগী হৌগদৌরিবনি। অহানবদা মেদিকেল ষ্টাফ, অহল ওইরবশিং অমসুং রিস্ক ৱাংবা মীওইশিংদা কাপকনি। হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা ইজরেলদা কোরোনা ভাইরস কেসশিং ৱাংখৎলকখিবগা লোয়ননা মাস ভেক্সিনেসনগী ওপরেসন অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

ইজরেলদা হৌজিক ফাওবদা কনফার্ম তৌরবা কোরোনা ভাইরস কেস ৩৭০,০০০ হেল্লে অমসুং শিখিবা মী মশীংনা ৩,০৫৭ নি।

# দিমোক্রেসিগী চাংয়েং ওইগদবা থাইলেন্দগী প্রোভিন্সশিংগী মীখল পাঙথোকখ্রে

নোনথাবুরি, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) :
থাইলেন্দদা হৌখিবা চহীদা জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোকখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিগী দিমোক্রেসিগী অহানবা চাংয়েং ওইনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক অসিগী প্রোভিন্সিএলগী ইলেক্সন পাঙথোকখ্রে।

জেনরেল ইলেক্সন অদুদা অরান অহুই কয়া তৌখি হায়না মায়কৈ কয়াদগী রুলিং ওথোরিটিশিংবু মরাল শীখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী নহারোলশিংনা থা কয়া চুপ্পা গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌবগী মরম অমসু ওইখি।

কেপিটেল বেঙ্কোককী ৱাংমদা থাইলেন্দগী প্রোভিন্স ৭৬ তা পাঙথোক্লিবা মীখলশিং অদু প্রাইম মিনিষ্টর প্রয়ুথ চান ওচানা মিলিটরি কু অমা পাঙথোক্তুনা ইলেক্তেদ গভর্ণমেন্ট চিংথুখিবা মতুংদা লৈবাক অসিদা পাঙথোকপা অহানবা প্রোভিন্সিএল ইলেক্সননি। মমাঙগী ইলেক্সনদা মায় পাক্তুনা মহাক্না লৈঙাক্কী পৱার মখা তানা পায়দুনা লাকখি।

বেঙ্কোক সিটিগা তাইনবা নোনথাবুরি প্রোভিন্সকী ইলেক্সনদা অহানবা ওইনা ভোট থাদখিবা মশাগী চহী ২৭ শুরবা বেঙ্ক ৱার্কর কোর্কিয়েট অকারা পার্ননা হায়খি। ভোট থাদবা হায়বসি মহাক্কী মথৌদাং অমনি। অহোংবা পুরক্কদবা অনৌবা মীওই কয়া ইলেক্সন অসিদগী থোক্লক্লগনি হায়না মহাক্না থাজৈ।

কোরোনা ভাইরস ইনফেক্সন হেনগৎলক্লবসু প্রোভিন্স অদুদা ভোটরশিং লেপ্তুনা থোক্লক্তুনা ভোট থাদনখি হায়না পোল্লিং ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। নুংথিল পুং মঙা ফাওবা ভোট থাদনখি। প্রোভিন্সিএল ইলেক্সনদা কেন্দিদেটশিং থাদোক্লিরিবা পার্টিশিংগী মনুংদা হৌজিক্তি অথিংবা থমখ্রবা থানাথোর্ন জুৱাংরুংরুৱাংকিটকী ফ্যুচর ফোৱার্ড পার্টিগা মরী লৈনবা প্রোগ্রেসিভ মুভমেন্ট য়াওরি।

থানাথোর্ননা প্রয়ুথপু খ্বাইদগী হেন্না মশক থোক্না শীংনখি। মহাক অমসুং মহাক্কী পার্টিবু পোলিটিক্সতগী থিংজিনখিবা মতমদা পার্টি অসিনা প্রোটেক্ট কয়া পাক শান্না চথুদুনা প্রয়ুথপু মফম লৌথোক্লবা অনৌবা কন্সটিট্যুসন অমা শেম্নবা অমসুং মতিক ময়াই লৈরবা মোনার্কিদা অহোংবা কয়া লাকহন্নবা দিমান্দ তৌখি। মমাংগী জেনরেল ইলেক্সন অদু মহাক মখা তানা পৱার পায়বা য়ানবা মওংদা শিন-লাংখিবনি হায়না ৱাফম প্রয়ুথনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকখি।

# ফাইনাসিএল রিফোর্ম তৌদ্রবদি ইরাককী সোসল পোলিটিকেল সিষ্টেমশিং ফেল ওইরগনিঃ পি এম



বাঘদাদ, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) :
করিগুম্বা ইরাকনা শেল থুমগী লমদা অহোংবা কয়া লাকহনবা ঙমদ্রবদি লৈবাক অসিসগী সোসল অমসুং পোলিটিকেল সিষ্টেমশিং ফেল ওইবগা লোয়ননা লাকশিনবা ঙম্লোইদবা কাংখোং চাইবগী ফীভম অমা লাক্কনি হায়না থাংজ নুমিত্তা ইরাককী প্রাইম মিনিষ্টর মুষ্টাফা অল- কাধিমিনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

অল-কাধিমিনা ৱাফম অসি শেনবা চহী কুমজা ২০২১ গী ফেদরেল বজেটকী মতাংদা খন্ননবা পাঙথোকখিবা ইরাকি কেবিনেটকী থোইদোক হেন্দোকপা মোসন অমদা ফোঙদোকখিবনি। সেসন অদু ফাওবগী মমল হন্থরকপা অমসুং কোরোনা ভাইরস পেন্দমিকনা থোকহল্লিবা শেন থুমগী ক্রাইসিসনা মরম ওইদুনা সেন্ত্রেল বেঙ্ক ওফ ইরাক (সী বি আই) না নেস্নেল করেন্সিগী ভেল্যু হন্থহন্নবা ৱারেপ লৌখিবা মতুংদা পাঙথোকখিবনি। নুমিৎ অসিগী অঙনবদা সেন্ত্রেল বেঙ্ক ওফ ইরাকনা ইরাকি দিনারগী ভেল্যু সেন্ত্রেল বেঙ্কতা য়ু এস দোল্লর অমদা দিনার ১,৪৫০ ওইহন্নবা লেপখি। হান্নদি দোল্লর অমগী মমল দিনার ১,১১৯ ওইরম্মী।

ইরাককী পোলিটিকেল ক্রাইসিস অসি ইশ্যু অহুমদি পৱার, মণি অমসুং করপসনগা মরী লৈনৈ। মরম অদুনা ঐখোয়না ক্রাইসিস অসি শেল থুমগী ওইবা মিৎয়েংদগী য়েংলগা অমসুং করপসন অমসুং শেলগী ওইবা খুৰৌ কয়া লাকহৎপা ঙমগদবা ৱারেপ অমা থৌনা ফনা লৌরগা লৈখাই তাথোক্লবা হোৎনরি হায়না অল কাধিমিগী মীদিয়া ওফিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, দোল্লরগী এক্সচেঞ্জ গেট লোকেল মার্কেটতা দিনার ১,৪৭০ য়ৌরগনি। থাউগী মমল হন্থরকপা অমসুং কোরোনা ভাইরস পেন্দমিক্না ষ্টেট বজেটতা দেফিসিট চাউনা তাহনবদগী তলপশিং পীননবা অমসুং অতৈ চাদিংশিংগীদমক্তা তঙাই ফদনা গভর্ণমেন্টনা বেঙ্কশিংদগী শেল পুবগীফীভম লাকপদগী থোক্লক্লিবা শেল থুমগী ক্রাইসিসনা মরম ওইনা ইরাকি করেন্সিগী ভেল্যু হন্থহন্নবা ৱারেপ লৌরিবনি হায়না সি জি আইনা ফোঙদোকখি। ইরাকি ফাইনান্স মিনিষ্টর অলি অব্দুল অমির অলাৱিনা তোঙানবা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা করেন্সি এক্সচেঞ্জ রেট য়াওনা তোঙান তোঙান তোঙানবা শেল থুমগী লমশিংদা য়াম্না থুনা অহোংবা কয়া লাকহনবা মথৌ তারে হায়খি।

# দেনিয়েল পর্ল মীহাৎকী একুজনা হায়রকপা ৱাফমগী মতাংদা কোর্টনা ৱারেপ লৌরগনি

ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) :
কুমজা ২০০২ দা থোকখিবা অমেরিকান জর্নেলিষ্ট দেনিয়েল পর্ল হাৎখিবগী থৌদোক্তা মরু ওইবা একুজ ওইরিবা ওমার শৈইখনা ইখিবা লেটর অমগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌরগনি হায়না পাকিস্থানগী সুপ্রিম কোর্টনা লাউথোকখ্রে।

মীহাৎ অদুগী মরু ওইবা একুজ ওমার শৈইখনা ইখিবা লেটর অদুদা অমেরিকান জর্নেলিষ্ট অদুবু কিদনেপ তৌরবা মতুংদা মঙক কল্লগা হাৎখিবগী থৌদোক্তা তশেংনা চেন্নরিবা মীশক অদু করাচিদা লৈবা টেররিষ্ট অমনি হায়না পনখি।



পর্লগী অহল-লমনশিংগী কাউন্সেল ফাইসাল সিদ্দিকিগী মতুং ইন্না একুজ শৈইখনা কুমজা ২০১৯ গী জুলাই ১৯ দা সিন্দ হায় কোর্টতা খুৎনা ইবা লেটর অমা সবমিট তৌখি। লেটর অদুদা শৈইখনা মহাক য়ু এসকী প্রেসরদা হায়খিবা থাঙ্গৈশেংনা মীহাৎ অদুদা চেন্নদবা মরাল লৈজদবা মীশক্লি অমসুং থৌদোক অদুদা থাঙ্গৈশেংনা চেন্নরিবা মীশক অদু কারাচিদা বেজ তৌবা মিলিটেন্ট অটাউর রেহমননি হায়না ক্লেম তৌখি।

লেটর অদু পর্ল মীহাৎকী কেসতা চৈন্নে হায়না মরাল শিরবা মীওই মরি কোর্টনা এক্সিট তৌবগী মায়োক্তা থারকখিবা আপীলশিংগী হিয়ারিং মনুংদা পুথোরকখিবনি।

থাংজ নুমিৎতা কোর্টতা লেটর অদু পুথোক্লদুনা সিদ্দিকিনা হায়খি, জষ্টিস মুসির অলামনা লুচিংবা সুপ্রিম কোর্টকী জজ অহুমগী বেঞ্চ অদুদা মদু খন্নগদবনি। অদুমওইনমক জজশিং অদুনা জান্যুৱারি ৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মথংগী হিয়ারিংদা শৈইখকী লেটর অদু খন্নগদ্রা নত্রগা খন্নরোইদ্রা হায়বদু লেপ্পগনি।

ৱাল ষ্ট্রীট জর্নেলগী সাউথ এসিয়া ব্যুরোগী চীফ ওইখিবা দেনিয়েল পর্ল লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা কা হেনবা থৌওংশিংগী মতাংদা রিছার্চ অমা পাঙথোক্লিঙৈ মনুং কুমজা ২০০২ গী জন্যুৱারিদা করাচিদা কিদনেপ তৌখিবনি।

মদুগী তুংদা মহাক্কী মঙক ককপগী শক্তম উৎপা হঙ্গৈইনিঙাই ওইরবা ভিদিও অমা য়ু এস কোন্স্যুলেটতা থাজিল্লকখি। মদু মহাকপু ফাখিবা মতুং থা অমা লৈরগনি। মীহাৎ অদুগা মরী লৈননা শৈইখপু ফাখি অমসুং ট্রাইএল কোর্টনা মহাকপু শিবগী চৈরাক পীখি।